# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 02-07-2026)

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা সলাম থরোইজম ইকো টুরিজম পার্কতা ভিক্সিত ভারত গেরেন্টি রোজগার এন্দ অজিবিকা মীসন (গ্রামিন) ভি.বি-জি-রাম-জি হৌদোক্কনি অমসুং রাজ্যগী থাক্তা পাঙথোকপা জন্ন সমেলনদা শরুক য়াগনি।

রাজ্যগী রুরেল দিবলপমেন্ট এন্ন পঞ্চায়েটি রাজ বিভাগনা শিনবা থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন, এম.এল.এশিং অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াগনি। থৌরম অসি ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগী হৌগনি।

মদুগী তুংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা লমফেলপাৎতা লৈবা সি.এস.আই.আর-নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী বাইও ফরটিলাইজর পুথোকবা বাইও-রিয়েক্তর য়ুনিট অমা শঙ্গাগনি। থৌরম অদুদা বাইও ফরটিলাইজর পুথোক বগী মতাংদা য়ান্ন-চে অমসু সহি তৌনগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং ওপরেসন চত্থরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শগোলতোংবা মখা লৈকাইদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা এন.আর.এফ.এনগী মীওই অমা ফারে। মহাক য়ুরেম্বম ময়াই লৈকাইদগীনি হায়রি। ফারবা মীওই অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বগী থবক্তা চেন্নবনি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাউবুংখোক এরিয়াদগীসু ঙরাং মনিপুর পুলিসনা পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে। মহাক ঙাইরাংবম ময়াই লৈকাইদগীনি। মীওই

অসি লুপ অসিগী খুৎশু খুৎলায়শিং পুথোক পুশিন তৌবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

**চান্দেল (এল)ঃ** কুমগী নোং য়ৌরকপা মতম ওইরবসু মনিপুরগী তম্পাক্কী মফমশিংদা নোং চুবগী চাং ৱাৎপদগী লৌউ শিংউগী থবক মঙম শানদ্রি। অদুমওইনমক, চিংগী জিলা খরদদি নোং নীংথিনা চুবদগী লৌ পানবগী থবকশিং মায় পাকা পাঙথোকরে। উখ্রুল জিলাদা লৌ লিংবা অমসুং হুনবগী থবক অয়াম্বা লোয়শিল্লক্লে। চান্দেল জিলাদসু লৌ পানবগী থবক হৌনরে।

**ককচিং (এল)ঃ** ৭৭ শুবা বন্দ মহোতসবকী থৌরম ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা খরুংপাৎ মনাক্কী থাবল চিংয়াদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-থৌবালগী লমজিং মখাদা ককচিং লমখায়দা লৈবা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিস-ককচিংনা ৱাবগাই কৈরক জিলা পরিষদ অমসুং ৱাবগাই গ্রাম পঞ্চায়টকা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উ চারাশিং থাখি।

**ময়োল (এল)ঃ** মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) অনৌবা লাংওনগী ভোট হায়বা হীরমদা মীয়ামদা মীখলগা মরী লৈননা ৱাখল তাহনবগী থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লি।

ঙরাংসু নেপ্রা কম্পনি ময়াই লৈকাইগী অরোং নিংথৌ সনারিক চনিংখোম্বী লৈমরেল খাঙপোক্কী লাইবুংদা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মশক নাইবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**দিল্লিঃ** দিল্লিগী নেলসন মন্দেলা মার্গ অমসুং বসন্তাকুন্সকা দুৱারকাগা শমগদবা নেসনেল হায়ৱে ১৪৮ এ.ইগী লেন্দ তরুক লৈগদবা তনেল শেমগৎনবা

সরকারনা অয়াবা পীখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-কিলোমিটর ৮.১ শাংবা প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ৬,৯৬৯ চংনা পায়খৎকদবনি। মহাকা হায়-প্রোজেক্ট অসিনা নোংচুপ অমসুং খা থংবা দিল্লিগী মরক্তা চৎথোক চৎশিনগী ফিভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি। এইমস অমসুং মহিপালপুরগী মরক্তা ইলিভেটেদ কোরিদোর অমা শাননবসু নেসনেল হায়ৱেজগী ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা প্রস্তাব তৌরি। প্রোজেক্ট অসিনা মীওই লাখ ৭ লিশিং ৫৪ রোমদা হকথেংননা অমসুং মীওই লাখ ৯ লিশিং ৮০ রোমদা নাকোইননা থবক পীরবা য়াই।

**অসামঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহান অমসুং কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না ঙরাং ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা অসামগী ধেমাজি জিলাদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মখোয়না হেলিকোপ্তর তোংদুনা ধেমাজি জিলাগী অরুন চাকোরি এরিয়াদা ওইরিবা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম য়েংশিনখি।

তুংদা, পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী চৌহাননা হায়-ঈচাও অসিনা মফম অদুদা য়ুম অমদি লন-থুম কয়া পাক শন্না অমাং-অতা থোকহল্লে। মসিগী মথক্তা মহৈ মরোং কয়াসু পাক্তকনা থুমজিনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা অৱাবা তারবা মীয়ামদা খুদক্কী ওইনা তেংবাং পীবগী থবকশিং চগুরি। ঈচাউ অসিদা অমাং অতা থোকখিবশিংগী রিপোর্ট য়েংশিল্লবা তুংদা সরকারনা পীবা য়াবা মতেংশিং পীগনি।

**ডেঃ** ত্রিপুরা বিধান সভাগী ৬৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপাল-ইন্দ্রসেনা রেদ্দি নাল্লুনা হায়-বিধান সভা হায়বসি অফবা গনতন্ত্রগী চৎন-কাঙলোনশিংগী খুদম চাংদম ওইরিবা মফম অমনি। মফম অসিদা শোগুরবা কাংলুপশিংগী তাবীবা ৱাৎলবা ৱাকৎ কয়া

পুখৎফমসু ওইরিবনি। মহাকা হায়-মফম অসি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা আইন শেম্বতা নত্তনা গনতন্ত্রগী য়ুম্ফম অমসু ওইরিবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ষ্টেট পার্লিয়ামেন্ট এফিয়ার্স মন্ত্রি-রতন লাল নাথনা হায়- মপোক কুমওন থৌরম অসি পাঙথোকপনা ত্রিপুরাদা গনতন্ত্রগী চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা খোঙচৎ অমগী থোইদোক হেন্দোকপশিং নীংশিংহল্লি।

**ফিফা ঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ মখায়দা শান্নখিবা মেটচতা ইংলেন্দনা দি.আর. কোংগোবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

হৌখিবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং অমা মখায়দা শান্নখিবা মেটচতা বেলজিয়মনা সেনেগালবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কামজোং জিলাদা কুকি অমসুং নাগা ফুরুপকী মীওইশিংনা অমনা অমগী য়ুম মৈ থানখিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-কুকি নাগা অনিগী মরক্তা য়ুম মৈ থানবা লেপত্রি। কামজোং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা হুইমিন থানা, খেরোংরামদা নাগাগী য়ুম ২৫, ফাইমোলদা কুকি য়ুম ১৫ মৈনা চাকখ্রে। এন.এস.সি.এন (আই.এম), কে.এন.এ-বিদা খুদোম্বী থিন্নরক্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা হেদলাইনগা লোয়ননা সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ অমসুং নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ষ্টেট অসিদা সেন্সস পাঙথোক্ত্রিঙৈ এন.আর.সি. তোনবগী মরমদা দিল্লিদা

চৎতুনা ৱারী শান্নরুগনি হায়না ফোরতিন সি.এস.ওস ওফ কংলৈপাকনা থল্লকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এন্টি নার্কোটিক্স টাক্স ফোর্স অমসুং সি.আর.পি.এফনা মীওই অনিদগী লুপা কোতি মরিরোমগী দ্রগ ফাগৎখিবগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পোকফমদা-ফয়েংদগী পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী কাডরশিং লৌথোক্লগা ষ্টেট ফোর্স থমখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

৭৭ শুবা বন্দ মহোতসব ২০২৬ পালনগা মরী লৈননা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন টনা উ চারা লাখ ১৫ রোম থানবা পান্দম থল্লি হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি মনিপুর মেলগীনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেক্যুরিতি কনভোই মশিং হন্থবা অমসুং নুমিৎ খুদিংগী থমদবনা ইম্ফালদা পোৎ-চৈ পুশিল্লকপা ত্রকশিং জিরিবামদা ঙানম নমলে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেপ্তেম্বর থাদা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শঙ্গারগনি হায়না মন্ত্রি-লোকেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-তমেংলোং জিলাদসু বন্দ মহোতসব ৱিক ২০২৬ পালন থৌরম হৌদোকখ্রে, উ চারা কয়া থাখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-এম.জি.এন.আর.ই.জি.এ. অসি ভিক্সিত ভারত গেরেন্টি রোজগার অজিবিকা মীসন গ্রামিন (ভি.বি.জি-রাম জি) এক্টনা মহুৎ শিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।